# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-06-2025)**

**ওপরেসন (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লালহৌবা অমসুং দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক মখা তানা চথুরি। ইন্টিলিজেন্সতগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ঘাড়ি মখায় লৈকাইগী অকোইবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা, য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি ওফ কংলৈপাক্কী চেয়ারমেন য়াওনা লুপ অসিগী মীওই অহুম ফাগৎপা ঙমখি।

ফারবা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই থাংজম লৈকাই, চিঙাংবম লৈরক, কোন্থৌজম কাংজৈবুং মপালদগী হৌজিকা ঘারি মখা লৈকাইদা লৈবা খুরাই অহোংগৈ লৈকাইনি। মখোয়দগী মেগজিনগা লোয়নবা পিষ্টোল অনি, কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৭, মেগজিন য়াওবা এম-টোইন্তি পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু মঙা, শাশিন্নবা নোংমৈগী লাইসেন্স অহুম অমদি গাড়ি মচা অমা য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনসু বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাংঙু অহল্লুপময়াই লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমা ফাখি। ফারবা মীওই অদু ৱাংঙু অহল্লুপ ময়াই লৈকাইদগীনি। মহাক, তম্পাক্তা লৈরিবা মীয়াম, স্কুল অমদি কলেজশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাউথোং খুনৌ খুদৈবন্দ লম্পাক মনাক্তগীসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অহুম ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো খুনৌ তোরোংখেলদগীনি।

নাকল অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে নম্বর টু-ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী

কাংপোকপী পুলিসনা কোনবা দাইলি খুল মপাদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথুবদা মীওই অনিদগী ব্রাউন্দ সুগরনি চিংনবা পোৎলম কিলোগ্রাম অনি হেনবগা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওইশিং অদু সেনাপতি জিলাগী থিংভা খুল্লেনদগীনি হায়রি।

**ককচিং (এল) ঃ** ককচিং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা লুচিংদুনা ককচিং দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা হরিট যোগগা মরী লৈননা উ চারা কয়া থাখ্রে।

থৌরম অসি থা অসিগী ২১ দা মালেম পুম্বদা পাঙথোক্কদৌরিবা যোগ নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। চহি অসিগী হীরমনা-যোগ ফোর ৱান আর্থ, ৱান হেলথ হায়বসিনি। থৌরম অসি মরুওইনা আয়ুস মন্ত্রালয়গী মখাদা মহৌশাগী খল ঙাক শেনদুনা থম্বগী মরুওইবা কয়া অদু খঙহন্নবা পাঙথোকপনি।

**থৌবাল (এল) ঃ** জোনেল এদুকেসন ওফিস-থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট বোর্ড ওফ এদুকেসনগা খুৎশমনা শিনদুনা সমর কেম্পকা মরী লৈননা ঙরাং থৌবালগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী ওইবা কেরিয়ার কাউন্সিল্লিংগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হনা কামৈনা হায়-মহৈরোইশিংগী পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াদা থেংনবা অৱাবা, খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। মহাকা মখা তানা হায়-মহৈরোইশিংনা মখোয় মখোয়না তম্লিবা খুলশিং অদুগী থোইদোকা খল্লোইদবনি। মখোয় মখোয়না তম্লিবা মহৈ অদুদা পুকিং চংগদবনি হায়নসু পাউতাক কয়া পীখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি জম্মু কাশ্মিরদা উধমপুর-শ্রীনগর-বারামুলা রেল লিঙ্ক প্রোজেক্ট জাতিগী মীয়ামদা খুৎশিন্নরগনি। কিলোমিটর ২৭২

শাংবা রেল প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ৪৪ চংনা শাখিবনি।

মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চেনপ থোং অমসুং ভারতকী অহানবা কেবল ষ্টে রেল থোং-অনজি থোং অনি অসিসু প্রোজেক্ট অসিগী মনুং চল্লি। চেনপ তুরেলগী মথক্তা মিটর ৩৫৯ ৱাংনা শাবা চেনপ থোং অসি আরকিটেকচরশিংনা নীংথিনা শেম শাদুনা মীয়ামগী পুকিং চিংশিনল্লি। হায়রিবা থোং অসি ইফেল টৱারদগী মিটর ৩৫ হেন্না ৱাংই। মসি ভারতকী খুৎশা-হৈবগী খুদম অমনি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিদা শ্রী মাতা বৈষ্ণো দেবী কাত্রাদগী শ্রীনগর ফাওবা অমসুং শ্রীনগরদগী কাত্রা ফাওবগী বন্দে ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি অনিসু লমথাগনি। অদুমওইনমক, ঙসি লমথাগদৌরিবা রেলগাড়ি অনি অসি হয়েংদগী চেনবা হৌরগনি।

শ্রী মোদিনা তোঙান তোঙানবা রোড প্রোজেক্ট খরা শঙ্গাগনি খরনা যাত্রা হুনগনি। লুপা কোতি ৩৫০ চংনা কাত্রাদা শাগদবা শ্রীমাতা বৈষ্ণো দেবী ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল এসিলেন্সকী যাত্রাসু ঙসি হুনগনি।

**অসাম ঃ** অসামদা হৌখিবা পুং ২৪ দা ঈশিং ঈচাওদা লৈখিদবা মীওই মশিং ১৬ য়ৌখ্রে। মীওই অমা থিবা খঙদনা লৈরি।

হৌজিকসু রাজ্য অসিগী জিলা ১৯ দা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীওই লাখ ৫ লিশিং ৬০ হেন্না অৱাবা মায়োকরি। মসিগী মথক্তা খুঙ্গং লিশিং ১,৪০০ ঈচাউনা শোকহনবতা নত্তনা লম একর লিশিং ১,৯০০ রোমদা থারম্বা মহৈ-মরোং কয়া অমাং অতা থোক্লে। রাজ্য সরকারনা এন.দি.আর.এফ. অমসুং এস.দি.আর.এফকী মীওইশিংগা লোয়ননা মী কনবগী থবকশিং লেপ্তুনা চথরি। রাজ্য অসিগী মরুওইবা তুরেলশিং-ব্রহ্মপুত্র, বরাক, বুরহি দিহিং, কোপিলি, সোনাই অমসুং কতাখাল কুসিয়ারা তুরেলশিং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি।

অমরোমদা, অসাম ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিগী মায়কৈদগী

ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ৪১ গী মথক্তা কনখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্প ১৭৫ দা লৈরি। ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা রেলৱে য়াওনা অতৈ চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে।

অমরোমদা, সিক্কিমদা থোরকপা য়াদনা চাতেনদা পন্দুনা লৈরিবা টুরিষ্টশিং হোন্দোকপগী থৌরম নোং চিংগী ফিভম ফত্তবদগী অমুক লেপলে।

পন্দুনা লৈরিবা টুরিষ্ট ১০৯ গী মনুংদা এম.আই. সভেন্টিন হেলিকোপ্তরশিংনা মী ৬৩ হোন্দোরক্লি। অশোয় অঙাম থোকহন্দনা বাগদোগ্রা য়ৌহনবদা মতেং ওইনবা এম.আই. সভেন্টিন হেলিকোপ্তর অমসু ষ্টেনবাইদা থম্লি।

**ছাতিসগর ঃ** ছাতিসগরদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লুপা কোতি অমগী মনা লাউথোকখ্রবা মাওইষ্টকী লুচিংবা-নরাসিমহা চলাম নৎত্রগা গৌতম হায়রগসু খঙনবা মীওই অসি ঙরাং খুৎ থোকবদা লৈখিদ্রে।

রাজ্য পুলিসকী দি.আই.জি.-কামা লোচন কসেপনা হায়-হায়রিবা মীওই অসি অন্ধ্র প্রদেসকী চিনতা পালুরি খুঙ্গংদগীনি। মহাক অসি হৌখিবা চহি ৩০ অসিদা নক্সলাইটকী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা মপুং ওইনা চেন্নদুনা লাকপনি। মহাক, মহারাস্ত্রা, ছাতিসগর অমসুং তেলঙ্গানাদা চথখিবা থৌদোক কয়াদা চেন্নবা মীওইনি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী বিজাপুরগী মার লমদমদা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুন্থগী থবক চথবদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। মীওই অসিদগী ওটোমেটিক রাইফল অমা ফংলে।

নীংশিংবা য়াই, ২০২৪ দগী হৌজিক ফাওবদা বাস্তর লমদমদগী নক্সলাইট ৪০০ রোম হাৎখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কংগ্রেসকী এম.পি, এম.এল.এশিং য়াওনা মীতৈ, কুকি অমসুং নাগাগী লুচিংবশিংনা কংগ্রেস লুচিংবশিং উন্নখিবা, সেটিলাইটকী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা মনিপুর অমসুং অরুনাচলদা অরোনবা ইনভাইরোনমেন্টেল ক্রাইষ্টিস থোক্লি অমসুং মরাম পেরেল লম্বীগী ফিভম দ্রাইভর য়ুনিয়নগী কাংবুনা য়েংশিনগদৌরি। নুমিৎ তরানিগী মনুংদা এন.ঐচ. টুগী লম্বী শেমজিন্নবগী থাজবা পীরক্লে হায়বা য়ুনিয়নগী ৱাফম ঙসিগী পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কংগ্রেস লুচিংবশিং দিল্লিদা ৱা খন্নখ্রে, এম.পি, এম.এল.এশিং য়াওনা মীতৈ-কুকি অমসুং নাগাগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম অমসুং হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

নাগালেন্দদা পন্দুনা লৈরিবা দ্রাইভরশিংদা মতেং পাংখ্রে। এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ই.দিদা লম্বী শেম্বীনবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

পোকফমদা-গভরমেন্টকী চেকশিনদবনা ঈচাও থোকহনবনি, মথংগী নোংজদ্সু অদুম থুমগনি হায়বা ভেটরান পোলিসিয়ান-ও. জয়গী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ৪৫ শুবা ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখ্রে। একাডমীক ইয়ার অসিদগী মাস্তর ইন ম্যান্মার এন্দ চাইনা ষ্টদিজ হাংদোকবা থৌরাং তৌরি হায়বা ভাইস চাঞ্চেল্লরগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-মরাম পেরেল লম্বীগী ফিভম দ্রাইভরগী কাংবুনা য়েংশিনগদৌরি। নুমিৎ তরানিগী মনুংদা এন.ঐচ. টুগী লম্বী শেমজিন্নবগী থাজবা পীরক্লে হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচাওগী ফিভম ফগৎলবসু ঈচাওগী অৱাবদি খম থেংনা মায়োকরি হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি। ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরিবা পাউ অসি মনিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। গ্বালতাবী থৌদোক্কী মতাংদা পাউখুম পীরকবা খঙহনখ্রে। অমজ্ অমদি ই.জি.এমনা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সকী পাউশিং হাপ্তুনা ৱারেপ মখা চত্থরি হায়বা পাউ অসিসু অয়াম্বা পাউচেশিংদা ফোংবা থেংনরি।

উমং ৱামং কোকথোকপদগী মনিপুরদা ইনভাইরোনমেন্টেল ক্রাইষ্টিস থোক্লে। ইং ২০২৪ দা পুন্না উমং হেক্তর লিশিং ১৭,৮০০ কোকথোক্কুনা মাঙহন তাকহনখ্রে হায়বা সেটিলাইট ইমেজতা য়ুম্ফম ওইবা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

গানফিয়ু মেলদা-তমেংলোং জিলাদা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নোনে জিলাদা চাকা বন্দ তৌগনি তৌরম্বা অদু য়ান্নবা পুরকপদগী মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে হায়বা পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।